**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02.07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি- লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবগী মতাংদা মালেমগী থাক্তা খন্ন-নৈনবা মীফম মণিপুরদা পাঙথোকপা অসি অফবা খোঙথাং অমনি।

২) মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ইম্ফালগী মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈশিং ঈমায় পাথোরক্তুনা মফম কয়াদা ঈচাউ থোক্লে।

৩) সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা লাংমৈদোং লাইমনাইদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চখ্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা এন.দি.এদা য়াওরিবা এম.পিশিংনা সংসদকী চৎন কাংলোন ঙাকপগা লোয়ননা গনতন্ত্রগী থৌওংবু ইকায় খুমনবা আপীল তৌখ্রে।

অমসুং

৫) বি.জে.পি সদস্য বন্সুরি স্বারাজনা বিরোধি দলগী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙরাং লব্বার হাউসতা থমখিবা ৱারোল শিংনরদুনা লোক সভাদা নোতিশ অমা থাংগৎলকখ্রে।

------

ৱার্কশোপ (এল)ঃ ৮ শুবা এন্যুয়েল নিগমা কনফরেন্স অমসুং ইন্দিয়া টুৱার্ডস এ সভেন ত্রিলিয়ন ইকোনোমি বাই-২০৩০ হায়বসিদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা

মীফম অমা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে। মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী এসোসিয়েসন ওফ কর্ম্মস এলুমনাই অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্স অনিনা পুন্না শিনবা থৌরম অসিদা সেমিনার সোভেনর, কংলৈপাক বিজিনেল রিভিয়ু জরনেল অমসুং রির্টয়ারমেন্ট প্লান্নিং হায়বা লাইরিক অহুম ফোংখি। লোয়ননা এন.ই.আই.সি.এম.এগী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দসু লৈখিদ্রবা প্রোফেসার কে. বিরেন্দ্রগী ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুর অসি মপুংফানা তংদু লৈতবা হনঞ্জিনবা ওইদ্রি। অদুবু অসিগুম্বা থৌরম অমা রাজ্য অসিদা পাঙথোকপা অসি মাইকৈ অমরোমদা য়ামা ফবা খোঙথাং অমনি।মসিনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা মপুংওইনা মণিপুরদা হিরম কয়াদা খুমাং চাউশিনদুনা অফবা মায়ওন অমদা পুরকপা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- নুমিৎ নিনি চুপা চখুগদৌরিবা ইন্তরনেসনেল সেমিনার অসিদসু লৌবা য়াবা ৱারেপশিং লৌদুনা মহাক্কী মফমদা শিন্নবীয়ু। সেমিনার অসিদা লৌরকপা ৱারেপশিং অদু মহাকা প্রধান মন্ত্রি অমদি শেল থুম মন্ত্রিদা থাদুনা থবক ওইনা ওন্থোকহন্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

থৌরম অসিদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র শরুক য়াখি।

ঈচাউ (এল)ঃ মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ইম্ফালগী মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈশিং ঈমায় পাথোরক্তুনা মফম কয়াদা ঈচাউ থোক্লে। তুরেল ঈমায় ফাংখৎলকপনা খঙহৌদনা তুরেলগী তোর্বানশিং কায়রকপা য়াবগী ফিভমদা লৈবদগী মীয়ামা তঙাইফদবা পোৎ চৈশিং শাফগদবা মফমদা হোন্দোকবা শেম শাবগী থবকশিং পায়খৎলি।

নোং লেপ্তুনা চুবা অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া লম্বী ঈশিং থুমজিনবা, লম্বী থিংবগী খোঙথাংশিংসু পায়খৎলি। ইম্ফাল তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিনিঙাই ওইবা চাংদগী হেনগৎনা চেল্লকপনা

মরম ওইরগা তোর্বান কায়রকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী বাবুপারাগী লম্বী নাকল নামা থিংদুনা গাড়ি অমত্তা চৎহনখিদ্রে। ইম্ফালগী মোংবা হনবা উমংদা লৈরিবা মহাবলি লাইশঙ ঈশিং থুমজিনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা কোন্থা খাবম মনিং লৈকাই ইবেমচা হাইস্কুল মপাদুনা তুরেল তোর্বান ঈশিং য়ুরকপদগী মীয়াম মীপাইনখ্রে। ঈশিং য়ুরক্লিবা মফম অদুদা হৈঙাং পুলিসকী কাংবু অমা লাক্কুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা লৈকাইগী নহারোল অমদি ইমা ইবেলশিংগা লোয়ননা মফম কয়াদগী চীং লৈবাক পুরক্কুনা তোর্বান শেমজিনবগী থবক চখখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈকাইগী মীওইশিংনা ফোংদোরকপদা হৌজিক লৈবাক হাপ্পুনা শেমজিল্লিবা তোর্বান অসি মমাংদা ঈচাউ থোকখিবা অদুদা কায়খিবা মফমনি। মফম অসি নিংথিনা শেমজিনবিখিদবনা মরম ওইরগা হৌজিক অমুক নৌনা ঈশিং য়ুরকপনি। হৌজিকসু ইম্ফাল তুরেলগী পরিং অসিদা মফম অহুম মরিদা ঈশিং য়ুরি। মখা তানা নোং লেপ্তুনা চুরবদি তুরেল তোর্বান কায়দুনা ঈচাউ নংলবা য়াবগী অকিবা লৈরি।

ইম্ফাল তুরেলগী মরিল ওইরিবা হৈঙাং কাংজৈবুংলোম থংবা মাইকৈদসু মফম কয়াদা ইফুৎ ফাওরকপা থেংনরি। তুরেলগী ঈমায় ব্রাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা ইফুৎ ফাওরিবা তোর্বানগী মফমশিংদা লৈকাইগী মীয়ামা জে.সি.বি শিজিন্নদুনা শেমজিনবগী থবক পায়খৎলি। অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা কোইরেঙ্গৈ মনুংদসু ইম্ফাল তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা ইংখোল অমদি লৌকোল কয়া থুমজিনখ্রে। ঈশিং ঈমায় লেপ্তুনা ব্রাংখৎলকপনা মরম ওইরগা কোইরেঙ্গৈগী মীয়াম ফি য়োমদুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকবা শেম শারে।

ইম্ফাল ইষ্টতা চেল্লিবা ইরিল তুরেলগী ঈমায়সু লেপ্তুনা ব্রাংখৎলক্লি। কংলা শঙ্গোমশঙদা তুরেলগী অসিগা মথক্তা শাবা আর.সি.সি ব্রিজ য়ৌগদবা খজিক্তা ঙাইরে।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা সেকমাই তুরেলগী মনিং থংবদা লৈবা সেকমাই পরাউদগী মহারাবি তাবা লম্বী ময়াইদা নমথখিবদগী লম্বী ফাওনদ্রে।

মরক অসিদা, মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অকনবা নোং চুখিগনি। ইম্ফাল তুরেল অমসুং নম্বুল তুরেলগী মপালদা লৈরিবশিংনা তুরেল তোর্বানশিং কায়রক্তুনা ঈচাও থোরকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা চেকশিননা লৈনবা দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন থুংলরে হায়না ইন্দিয়ান মেতিরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোংদোকখ্রে। মোন্সুন অসি হান্না পানখিবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৬ নি ঙন্না লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা য়ৌরকখি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মতুংইন্না গুজরাত, অসাম, বিহার, মেঘালয়, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, নাগালেন্দ, মনিপুর, মিজোরম, ত্রিপুরা অমসুং উত্তর প্রদেশকী মফম খরদা অকনবা নোং লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চুরবা য়ারি হায়রি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাদসু নোং লৈপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে। মফম কয়াদা লম্বী অমদি চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্তুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে। অদুবু থৌদোকশিং অসিদা অশোক অপন অমদি মীশি মীনা য়াওবগী পাউদি লৈতে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- নোং লেপ্তুনা চুবা অসিনা মরম ওইরগা ঙসি অয়ুক জিলা অসিগী মনুং চনবা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী খোঙসাং দি.সি এরিয়াদা চীংথক্তগী লৈনাং চেন্থরকপদগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। থৌদোক থোকফমদা লম্বী শেন্লিবা কন্সত্রক্সন কম্পনিগী এস্কাভেতরনচিংবা শিজিন্নদুনা লম্বীদা পনদুনা লৈরিবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন য়ানবা অকনবা থবক পায়খৎখি। লম্বী অমসুং চীং নিংখায়বগী থৌদোক অসি হাইৱে পরিং অসিগী টি. লাইজাং অমসুং সেজাং খুল অনিগী লোন্নবদসু থোকখি।

মহাকা হায়- বিষ্ণুপুর-খৌপুম লম্বীগী এল. খুনৌদসু চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিং থেংনরি। অদুমওইনমক, মফম অদুদা পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা কন্সত্রক্সন কম্পনিনা লম্বীদা চেন্থরকপা চীংলৈবাকশিং অদু লৌথোক্তুনা লম্বী

ফাওনহনখি। নোং লেপ্তুনা চুবা অসিনা মরম ওইদুনা মরুওইবা তুরেলশিং- ইজৈ, ইরিল, ইরং, লৈমাতাক অমদি বরাক্কী ঈমায় খুদোংথিনিঙাই ওইবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে।

অমরোমদা, জিলা অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিগী দি.সি- শরতচন্দ্র অরোজ্না মীয়ামা মীকুপ নাহুম শিংনা অমদি য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈনবা চেরোল অমা থোকখ্রে। লোয়ননা মরী লৈনবা এস.দি.ওশিংনা মানা মানা লৈরিবা সব-দিভিজনদা লেংদনা লৈদুনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎনবসু খঙহনখিবা লৈরে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- নোনে জিলাদা নোংগী ঈশিং মরাং কায়না লাকপদগী লৌমীশিংনা লৌবুক মাইকৈ পাংদুনা লৌউ শিংউগী থবকসু অকনবা মওংদা পায়খৎপা হৌরে।

রেদিও ঃ রাজ্য অসিগী নোং চীংগী ফিভম অমদি ইম্ফালগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনবনা মরম ওইরগা অকাশবানি ইম্ফালগী নহারোল খোঞ্জেলগী কেজ্য়েল এন্নাউসর খন্নবগা ওদিসন হয়েং জ্ন ৩ দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু মতম খরগী ওইনা য়েথোকখ্রে।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। ঙসিসু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো, ৱাইখোং পুলিস অমদি বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা লাংমৈদোং লাইমনাইগী অকোইবা মপমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- লাইমনাই লাইমতোন চীংগী মফম অমদা খুৎলায় কয়া লোৎশিন্দুনা থমলে হায়বগী থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অদুনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা য়াম্লবা খুৎলায়শিং অসি ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা- রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা এ.কে. ফিফতিসিক্স রাইফল অমা, অহাংবা মেজজিন অনি, ৱাকি

টোক্কি সেট অমা, পোইন্ট থি-সিক্সকী হাই এক্সপ্লোসিভ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অনি, ট্যুব লোঞ্চিং অমা, কাপথোকখ্রবা তোকিং মরি, বুল্লেট প্রুফ জেকেট অনি অমদি দিতোনেতর ১২ য়াওরি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তানা থিজিনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

ছুতি (এল)ঃ মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা নোং চীংগী ফিভম অসি য়েংলগা হয়েং অমসুং হংচিৎ সরকারগী অমদি লন্নাই স্কুল পুমমক ছুতি লাউথোকখ্রে। ইজ্কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা অমদি য়ুম কৈ ঈশিং থুমজিনবদগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা স্কুলশিং ছুতি থাদোকপনি।

অমরোমদা, মণিপুর সরকারগী দিপ্যুতি সেক্রেতরি জেনেরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টনা হৌজিক মণিপুরদা খঙহৌদনা ঈচাউ থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা হয়েং পাব্লিক হোলিডে লাউথোকখ্রে। অদুমওইনমক, মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকবা হোৎনবদা মতেং পাংলিবা রেস্ক্যু অমদি রিলিফ ওপরেসন, তঙাইফদবা সার্ভিসশিং, মরুওইনা হোম, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, পৱার, হেলথ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যার, পি.ঐচ.ই, ৱাটর রিছোর্সেস, পি.দব্লিউ.দি, জে.এ.দি, কাফ এন্দ পি.দি.এ, এম.আই, ফোরেষ্ট অমদি এল.দি.এনচিংবা বিভাগশিংগী ওইনদি ছুতি ওইরোই হায়রি।

ৱাকৎ (এল)ঃ জিরিবামদা লৈবা বেঙ্গলি হিন্দু অমদি বেঙ্গলি মুসলিমগী মরুওইবা লুপশিংনা শিন্দুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা থবক পায়খৎলু হায়না সরকারদা দাবী তৌরদুনা জিরিবামগী লালপানিদা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। মীফম অদুদা লোং লিভ জিরিবাম, মৈনা চাকখ্রবা য়ুমশিং অথুবদা শেমজিবীয়ু অমদি সেক্যুরিতি মতিক চানা থম্বীয়ু হায়না

থাবা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখি। তুংদা, মীয়ামা তোঙান তোঙানবা দাবী ৬ য়াওবা মেমোরেন্দ অমসু দি.সিগী খুত্থাংদা মণিপুরগী রাজ্যপালদা পীশিনখি।

ৱাকৎ (এল)ঃ আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ অমনা শেলগী দিমান্দ তৌবগা মরী লৈননা কিম এদুকেসনেল সোসাইতি খাঙবোক্কী ফাউন্দর টি.ঐচ. ইবোমচাবু ফাদুনা পুখ্রবা মতুং হাৎতোক্লগা হুন্দোক্লম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিনা শিন্দুনা খাঙবোক নিউ মার্কেটতা ঙসি ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা মাইকৈ অদোমদা লৈবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি মশিং য়াল্লবা মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াখি।

হেলথ ঃ রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওবা কাংবু অমনা ঙসি থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা হেলথ সেন্তরশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল য়াওনা য়েংশিনখিবা অদুদা হেলথ সেন্তরশিংনা দাইবেটিস অমদি হাইপরতেসনগী অনাবশিংদা লায়েং চথবা অমদি এন.সি.দি স্ক্রিনিংগী মতাংদা য়েংশিনখি। মসিগা লোয়ননা ওফিসিয়েল কাংবু অদুনা থৌবাল জিলাদা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়াগী স্ক্রিনিং প্রোগ্রামশিং হেন্না মপুংফানা পায়খৎনবা খন্নখিবগা লোয়ননা আশা ৱার্করশিংনা হকশেলগী লমদা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

ওফিসিয়েল কাংবু অদুদা ষ্টেট নোদেল ওফিসার, এন.সি.দিসু ওইরিবা হকশেল বিভাগকী জোইন্ট দিরেক্তর ডাঃ ৱাই. প্রেমচন্দ্র, হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্তরগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ এস. সুজেতা, এস.এন.ও (আশা)- ডাঃ দব্লিউ. জ্বিলি, ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী কন্সলটেন্ট ডাঃ ভেলেন্তিনানচিংবা য়াওখি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাদা ক্লাসিকেল স্বাইন ফিভরদগী ঙাকথোকবা দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারিগী মীওইশিংনা যুম যুমদা চৎতুনা ওকশিংদা হিদাক কাপথোকখ্রে।

লোংমাই পার্ট ফোর পিছ লেন্দগী অকোইবা মফমশিংদা চত্থখিবা হিদাক কাপ্পগী খোঙচৎ অদুদা পুন্না ওক ১০০ রোমদা হিদাক কাপথোকখি। ঙসিগী খোঙচৎ অদু দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিস তমেংলোংগী ভেটেরিনারি ওফিসার ডাঃ পাউলিনলুনা লুচিংখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা এন.দি.এদা য়াওরিবা এম.পিশিংনা সংসদকী চৎন কাংলোন ঙাকপগা লোয়ননা গনতন্ত্রগী থৌওংবু ইকায় খুমনবা আপীল তৌখ্রে।

শ্রী মোদিনা সংসদতা হায়রিবা চৎন কাংলোন অমদি তৌফম থোকপা থবক থৌরমশিং উৎপা অসিনা মীওই অদু অফবা মীয়ামগী মীহুৎ-এম.পি অমনি হায়বগী তঙাইফদনা চংবা গুন ওইগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

অনৌবা কেন্দ্রগী সরকার লাকখ্রবা মতুং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অহানবা এন.দি.এ পার্লিয়ামেন্টরি পার্তিগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মীফম অদুগী মতাংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না প্রধান মন্ত্রিনা এন.দি.এগী এম.পি খুদিংমক্তা থবক নিয়ম চুমা তৌনবা অমদি সংসদকী চৎন কাংলোন ঙাকবা পাউতাক পীখি। মসিগা লোয়ননা এম.পি খুদিংমক লৈবাক অসিগী শেবা তৌনবা মীয়ামা খল্লকখিবনি অমদি দলগী খেন্নবা লৈতনা এম.পি খুদিংমকা জাতি অসিগী শেবা তৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মাংজিল তাবা থৌদাং ওইগদবনি হায়না মীফমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

বিজেপি ঃ বি.জে.পি সদস্য বন্সুরি স্বারাজনা বিরোধি দলগী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙরাং লৱার হাউসতা থমখিবা ৱারোলগী শিংনরদুনা ঙসি লোক সভাদা নোতিশ অমা থাংগৎলকখ্রে। ঙসি সংসদকী মীফম হৌরকপদা নোতিশ অদু পুখৎলদুনা রাহুল গান্ধিনা চৎনবা য়ারোইদবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখিবা অদু য়ানিংদবা উৎখি। মহাক্কী নোতিশ অদুদা রাহুল গান্ধিনা থমখিবা ৱাফমশিং অদু চৎনবা য়াদবা অরানবা ঙাক্তনি। মহাক্কী মথক্তা হাউসনা থবক

লৌখৎকদবনি হায়রি। মরক অসিদা, রাহুল গান্ধিনা সংসদতা থমখিবা ৱারোল অদুদা পামদবা ৱাফমশিং য়াওখিবা অদু হন্দোকপীনবা লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম. বিরলাদা অহৈবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

অসাম ঃ অসামদা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম লুশিল্লক্লি। রাজ্য অদুগী জিলা ১৯ দা লৈবা মীওই লাখ ৬ লোম হৌজিক ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিগী তিন্সুকিয়াদা মীওই অমা লৈখিদবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ঈচাউনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীগী মশিং ৩৫ শুখ্রে।

------